# নেপাল অমসুং ইন্দিয়াগী বোর্দর ইশ্যু ৱারী শান্নরগা লৈখাই তান্নগনি: পি এম কে পি শর্ম্মা ওলি

কাথমন্দু, ফেব্রুৱারী ০৮ (এজেন্সী) :

নেপাল অমসুং ইন্দিয়াগী মরক্তা হৌজিক লৈরিবা ঙমখৈগী য়েৎনবশিং দিপ্লোমেটিক চেন্নেলদা ৱারী শান্নরগা লৈখাই তানগনি হায়না নেপালগী প্রাইম মিনিষ্টর কে পি শর্ম্মা ওলিনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।



নেপাল অমসুং ইন্দিয়ানা মমাং থাদা দেল্লীদা মিনিষ্টরগী থাক্তা ৱারী শানখ্রবসু নাকল অনীনা য়ান্নদবা ৱাফমশিংগী মতাংদা ৱারোইশিন পুরকপা ঙমখিদে। মরু ওইনা নেপালনা কুমজা ২০২০ গী মেদা ফোঙখিবা অনৌবা মেপ অমগী মতাংদা য়ানবা পুরকপা ঙমখিদবনি।

নেপাল অর্মীনা শীন্দুনা 'নেপাল'স ইন্টরনেস্নেল বোর্দর সিক্যুরিটি এন্দ এরিয়াজ ওফ কোওর্দিনেসন এমং বোর্দর মেনেজ মেন্ট রিলেটেদ এজেন্সিজ' হায়বা হীরমদা পাঙথোকখিবা সেমিনার অমদা ওলিনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

দিফেন্স মিনিষ্টরসু ওইরিবা ওলিনা হায়খি, য়ুমথংনবা লৈবাকশিংদা মরুপ-মপাং ওইবগী মরী থম্নবা য়াই। লৈরিবা অচুম্বা ফীভমশিং, মান্নবা মিৎয়েং অমগা অমগা ঈকায় খুম্নবা জষ্টিস অমসুং অমনা অমবু মখা থাহন্নবা হোৎনবগী থৌওং চথনদবদা য়ুম্ফম ওইরগা মরী খুদিংমক চেৎশিনহনবা য়াই।

মরুপ মপাং ওইবা মওংদা নেপাল অমসুং ইন্দিয়াগী মরী চেৎশিন্নবগীদমক্তা ঐখোয়না মেপ নম্লগা ইন্দিয়াগা ৱারী শান্নবা তাখি। ঐখোয়গী মরীদা মরুপ মপাং ওইবগী শক্তম চেলহনবা হায়বসি দাইলোগকী খুথাংদা ঐখোয়গী লম হল্লক্লবা মতমদা ওইথোক্কদবনি। নাকল অনীগী মরক্তা সুষ্টা অমসুং কানচনপুরদা ঙমখৈগী য়েৎনবা লৈ হায়না ওলিনা ফোঙদোকখি।

নেপাল অমসুং ইন্দিয়াগী মরক্তা মতম শাংনা সুষ্টা অমসুং কালাপানি এরিয়াদা ঙমখৈগী য়েৎনবা লৈরকখি। কুমজা ২০১৪ দা ইন্দিদয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা নেপালদা খোঙচৎ অমা চৎখিবদা নাকল অনীনা ফোরেন সেক্রেটরিগী থাক্তা ঙমখৈগী য়েৎনবা লৈখাই তাথোক্লবা হায়না য়ানখি।

তৌইগুম্বসুং মীফম পাঙথোকপা ঙমখিদে। কুমজা ২০১৯ গী নবেম্বরদা ন্যু দেল্লীনা ইন্দিয়ন টেরিটরিদা কলাপানি য়াওবা অনৌবা পোলিটিকেল মেপ অমা পুথোকখি। নেপালনা ইন্দিয়াগী খোঙথাং অদুবু য়ানিংদবা ঙৎখি অমসুং দিপ্লোমেটিক থাক্তা ৱারী শানবগী ৱাফম হৌদোকখি।

তৌইগুম্বসুং ইন্দিয়ানা কোভিদকী ক্রাইসিস হেক লোয়বগা মায় মায় ওনশিন্নদুনা ৱারী শান্নরসি হায়খি। কুমজা ২০২০ গী মেদা ইন্দিয়ানা নেপালনা ক্লেম তৌরিবা লিপু লেখ ফাওগদবা কিলোমিটর ৮০ শাংবা অনৌবা লম্বী অমা উত্তরখন্দদা হাংখি। নেপালনা মদুবু য়ানিংদবা উৎপগা লোয়নননা ইন্দিয়াদা ৱারী শান্নসি হায়খি। নেপালনা হঞ্জিন হঞ্জিন্না হায়বদা ন্যু দেল্লীনা পাউখুম পীদবদগী নেপালনা কুমজা ২০২০ গী মে ২০ দা য়েৎনরিবা মফম অদু য়াওবা লৈবাক অদুগী অনৌবা মেপ অমা ফোঙখিবনি।

# অরোন অথুপশিং পীথোক্লম্বগী মরালদা চাইনানা ওষ্ট্রেলিয়ন জর্নেলিষ্ট অমা ফাখ্রে

সিদনি, ফেব্রুৱারী ০৮ (এজেন্সী) :

চাইনাদা থা তরুক্লোম দিটেন তৌরকখিবা ওষ্ট্রেলিয়ন জর্নেলিষ্ট অমা লোনা য়াদবা মওংদা ষ্টেটকী অরোন অথুপশিং মপানদা পীথোক্লম্বগী চিংনবদা য়ুম্ফম ওইরগা হৌনবী মতুং ইন্না ফাখ্রে। চাইনিজ ওথোরিটিনা মহাকপু হৌনবী মতুং ইন্না ফারে হায়বসি লৈবাক অনীমক্তা নিংথৌকাবা নুমিত্তা কনফর্ম তৌখ্রে।



মশাগী চহী ৪৯ শুরবী জর্নেলিষ্ট চেং লৈগী ইমুংনা ওথোরিটিশিংদা হান্নগী ন্যুজ এঙ্কর অসিবু মহাক্কী স্কুল তল্লিবা মচাশিংগা উন্নহনবীয়ু হায়খিবা মতুংদা মহাকপু ফাবগী ৱাফম অসি খঙহল্লকখিবনি।

ইমুংগী রিপ্রজেন্টেটিভ অমনা ঈ মেলগী খুথাংদা এজেন্সিদা ফোঙদোকখিবদা চেংগী মরাল লৈতে হায়বসি ঐখোয়গী অচেৎপা থাজবনি। ঐখোয়না চাইনাগী জুদিসল প্রোসেস ঈকায় খুম্নে অমসুং ওথোরিটিশিংদা মীনুংশিংগা লোয়নননা থুনা অমসুং মতম চানা ৱারোইশিন পুরক্লবা হায়খি।

নিংথৌকাবা নুমিত্তা ওষ্ট্রেলিয়াগী ফোরেন মিনিষ্টর মারিস পায়ন অমসুং চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন ৱাং ৱেনবিননা তোঙান তোঙানবা ষ্টেটমেন্টশিংদা চেং ফেব্রুৱারী ৫ দা হৌনবী মতুং ইন্না ফাবনি হায়খি। জর্নেলিষ্ট অসি চাইনাদা পোকখিবনি। তৌইগুম্বসুং মহাক অঙাং ওইরিঙৈদা মমা মপাগা লোয়নননা ওষ্ট্রেলিয়াদা হোংখি অমসুং ক্বীন্সলেন্দগী য়ুনিভর্সিটিদা তমখি। কোভিদ-১৯ না মরম ওইদুনা বৈজিংগী স্কুলশিং থোং লোল্লিঙৈ মনুংদা চহী ৯ অমসুং ১১ শুরবা মহাক্কী মচাশিং ওষ্ট্রেলিয়াদা লৈবা মপু মবেনগী য়ুমদা চৎখি। মতমদুদা চেং চাইনিজ ওথোরিটিশিংনা দিতেন তৌখি।

কোরোনা ভাইরস পেন্দমিক্কী হৌরকফমগী মতাংদা মালেমগী ওইবা ইনভেষ্টিগেসন অমা পাঙথোক্কবা কানবেরানা তকশিনখিবদগী হৌখিবা চহী অসি ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং চাইনাগী মরীদা উংখৎনবা লৈরকখি। বৈজিংনা লল্লোন ইতিক্কা মরী লৈনবা খোঙথাং কয়া লৌখত্তুনা ওষ্ট্রেলিয়াগী থৌওং অদুবু লমন খুমখি।

চাইনিজ ষ্টেট মীদিয়াগী ইংলিশ লোলগী চেন্নেল সিজিটিএনদা চহী ১০ রোম থবক তৌখিবা হান্নগী বিজনেস ন্যুজ এঙ্কর অমা ওইরিবা চেংনা বৈজিংদা থবক তৌরিঙৈদা ওষ্ট্রেলিয়ন কম্যুনিটিগী ওইবা এম্বেসিগী ফঙ্কসনশিং অমসুং বিজনেস ফঙ্কসনশিংদা চাং নাইনা শরুক য়াখি।

চাইনিজ স্পোক্সমেন ৱাংনা চেংগী রাইটশিং মপুং ফানা গরেন্টি তৌরি হায়না ফোঙদোকখি। ওষ্ট্রেলিয়াগী হান্নগী অম্বেসেদর জিওফ রাবিগী মতুং ইন্না গভর্ণমেন্টশিংগী মরক্তা অৱাংবা থাক্কী কন্টেক্ট লৈনদবনা জর্নেলিষ্ট নৈবু মতেং পাংবদা অরুবা ওইরি।

## য়ু এস ক্রুপশিং মেদা অফঘানিষ্টান থাদোকখিরোই

ৱাশিংটন, ফেব্রুৱারী ০৮ (এজেন্সী) :

ৱাশিংটন অমসুং টালিবানগী মরক্তা খুৎয়েক পীনখিবা মরু ওইবা পিছ দিলদা পল্লিবা মতম মে থা ফাওবগী মনুংদা য়ু এস ক্রুপশিং অফঘানিষ্টান থাদোক্লোই হায়না রিপব্লিকান সিনেটর লিন্দসে গ্রাহমনা ফোঙদোকখ্রে। অফঘানিষ্টানদা ওইরক্লিবা ফীভমশিংগী মখা পোন্না ঐখোয়না লৈবাক অসি থাদোক্কনি হায়নসু সিনেটর অসিনা মখা তাখি। লালগী অৱাবা চৈথেং নংলবা লৈবাক অসিদা লৈরিবা অমেরিকান ক্রুপশিং লৌথোকপগী ৱাফমগী মতাংদা হংবদা গ্রাহমনা নোংমাইজিং নুমিৎকী নুমিদাংদা সী বি এস ন্যুজগী ইন্টরভিয়ু অমদা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

ৱিদদ্রো তৌবা য়াবগী কন্দিসনশিং লৈতনা ঐখোয়না য়াম্না হাথু হাথুনা ক্রুপশিং লৌথোকপা তারবদি ইস্লামিক ষ্টেট (আই এস) অমসুং অল কাইদানা তৌনিংবদা তৌরক্তুনা নুপীশিংনা খ্বাইদগী হেন্না অৱাবা নংগনি হায়না গ্রাহমনা ইন্টরভিয়ু অদুদা হায়খি। মতম খরা লেপ্লুরবা মতুং টালিবান অমসুং অফঘান রিপব্লিককী মরক্তা জন্যুৱারী ৫ দা ৱারী শানবা অমুক হৌখিবা মতুং নাকল অনীগী নিগোসিএটরশিংনা নুমিৎ ১৯ নি চুপ্পা ৱারী লেপ্লকখিবগা লোয়নননা সিনেটর অসিনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

## ইমপিচমেন্ট ট্রাইএলদা ট্রম্পপু কনভিক্ট তৌহনবা পাম্মী: পোল

*ৱাশিংটন, ফেব্রুৱারী ০৮ (এজেন্সী) :*

*অমেরিকানশিংগী চাদা ৫৬ না হান্নগী য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পপু চয়োল অসিদা সিনেটতা হৌগদৌরিবা মহাক্কী অনীশুবা ইমপিচমেন্ট ট্রাইএলদা কনভিক্ট তৌহনবা অমদি ফেদরেল ওফিস অমুক হন্না পায়বা য়াদনবা অথিংবা থম্বা পাম্মী হায়বসি অনৌবা পোল অমনা উৎখ্রে।*

*নোংমাইজিং নুমিত্তা রিলিজ তৌখিবা এন বি সী ন্যুজ/ইপসোস পোলনা ফেব্রুৱারী ৫-৬ ফাওবদা সর্ভে তৌখিবশিংদা চাদা ৪৬ না মহাকপু কনভিক্ট তৌহনবা পামদে হায়বসি উৎখি।*

*কুমজা ২০২০ গী জন্যুৱারীদা ট্রম্পকী অহানবা ইমপিচমেন্ট ট্রাইএল পাঙথোক্লিঙৈ মনুংদা এ বি সী ন্যুজ/ৱাশিংটন পোষ্টনা লৌখিবা সর্ভে অমদা অমেরিকান চাদা ৪৭ না ট্রম্পপু মফম লৌথোকপা পামখি অমসুং চাদা ৪৯ না মহাকপু মফম লৌথোকপগী মায়োক্তা লৈ হায়বসি উৎখি।*

*হৌখিবা জন্যুৱারী ৬ তা কেপিটোলদা শাথিরবা রাইওট চথখিবদগী দেমোক্রেটশিংনা কন্ট্রোল তৌবা হাউস ওফ রিপ্রজেন্টেটিভসতা জন্যুৱারী ১৩ দা ভোট লৌনবদা মেম্বর ১৯৭ গী মায়োক্তা মেম্বর ২৩২ না ট্রম্পপু গভর্ণমেন্টগী মায়োক্তা ঈৱাং হৌহনবগী মরালদা ইমপিচ তৌবগী ৱাফম শৌগৎখি। মদুনা মহাক্না ফম পায়রিঙৈদা অনীরক ইমপিচ তৌবা য়ু এসকী অহানবা প্রসিদেন্ট ওইহনখি। সিনেটকী ইমপিচমেন্ট ট্রাইএল অদু লৈবাকপোকপা নুমিত্তা হৌনবা লেপখ্রবনি। ইমপিচমেন্ট প্রোসেসকী মখাদা ট্রম্প সিনেটনা জুদিসল-ষ্টাইলদা ট্রাইএল চথগনি। মদুদা সিনেটরশিংনা জুররশিং ওইগনি।*

*সিনেটতা ৫০-৬০ গী ফীভম লৈবনা অপ্পর চেম্বর অসিদা ট্রম্প কনভিক্ট তৌবদা দেমোক্রেটশিংনা রিপব্লিকান ভোট ১৭ মথৌ তাগদবা ওইবনা হন্দক্কী মতাং অসিদসু মহাক কনভিক্ট তৌদবা য়াই।*

*সিনেটর মশীং মতিক চাবা কনভিক্ট তৌবা শৌগত্তুনা ভোট পীবা তারবদি চেম্বর অসিনা মহাক অমুক হন্না ফেদরেল ওফিস পায়বদা অথিংবা থমগদ্রা হায়বগী মতাংদা অনীশুবা ভোট অমা পাঙথোক্কনি। অনীশুবা অসিদদি শুপ্পগী সিম্পল মেজোরিটিনা য়াগনি।*

## ম্যান্মারদা ফাজিল্লিবা ইকনমিষ্ট খুদক্তা থাদোক্লবা ওষ্ট্রেলিয়ানা দিমান্দ তৌখ্রে

কানবেরা, ফেব্রুৱারী ০৮ (এজেন্সী) :

মিলিটরিনা মফমদগী চিংথুখ্রবা ম্যান্মারগী লুচিংবী ওং সান সু চিগী এদভাইজর ওইরম্বা ইকনমিষ্ট সোন টর্নেল ম্যান্মার ওথোরিটিশিংনা খুদক্তা থাদোক্কদবনি হায়না ওষ্ট্রেলিয়াগী ফোরেন মিনিষ্টর মায়িস পায়ননা নিংথৌকাবা নুমিত্তা হায়খ্রে।



ইকনমিষ্ট টর্নেলনা থাংজ নুমিত্তা ফোঙদোকখিবা অমদা মহাক দিটেন তৌরি হায়খ্রবনি। ফেব্রুৱারী ১ দা মিলিটরিনা কু চথদুনা সু চিগী ইলেক্তেদ গভর্ণমেন্ট চিংথুখিবা মতুংদা ম্যান্মারদা ফোরেন নেস্নেল ফাবসি টর্নেলনা অহানবনি। দিটেন তৌরিবদুগা মরী লৈননা ম্যান্মারগী অম্বেসেদর কৌখৎখিবা ওষ্ট্রেলিয়ানা টর্নেলগা পাউ ফাওনদুনা লাক্লি।

ম্যান্মারদা ফাজিন্দুনা থল্লিবা ওষ্ট্রেলিয়ন সিটিজন প্রোফেসর টর্নেল খুদক্তা থাদোক্লবা ঐখোয়না তকশিনখ্রে। ঐখোয়গী এম্বেসিনা প্রোফেসর টর্নেলদা মখল মখা কয়াগী সপোর্ট পীদুনা লাক্লি হায়না পায়ননা সিদনিদা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

টর্নেল অসি সিদনিদা লৈবা মেক্বারি য়ুনিভর্সিটিগী ইকনমিক্সকী প্রোফেসর অমনি। ইকনমিক পোলিসিগী মতাংদা মহাক্না চহী কয়া সু চিদা পাউতাক পীরকখি।

টর্নেল কদাইদা ফাজিন্দুনা থল্লিবগে হায়বগী মতাংদা পায়ননা চপ চানা পন্দ্রবসু মশক মমিং ফোঙদোক্তবা ওষ্ট্রেলিয়ন অমা পুলিস ষ্টেসন অমদা ফাজিন্দুনা লৈরি হায়না পায়ননা মমাংদা ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে।

ম্যান্মারগী মফম কয়াদা মীওই লীশিং কয়ানা মিলিটরি কুগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌরকখিবা হুম্নি চনবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা প্রোটেষ্টরশিং তানখায়নবা হোৎনবদা পুলিসনা ৱাটর কেনন কাপখি। মহাক চার্জ তৌবা য়াই হায়না টর্নেলনা থাংজ নুমিত্তা এজেন্সিদা ফোঙদোকখি।

# মিলিটরি ওপরেসন কনখৎলকপদা মীওই ২০ শিরে



সানা, ফেব্রুৱারী ০৮ (এজেন্সী) :

য়েমেনগী হৌথি মিলিস্যানা গভর্ণমেন্টনা কন্ট্রোল তৌবা থাউ মরাং কায়না ফঙবা মারিব প্রোভিন্সকী মায়োক্তা মিলিটরি ওপরেসন কনশিনখিবগা লোয়নননা য়ামদ্রবদা মীওই ২০ শিখ্রে।

লোকেল ওথোরিটিগী ওফিসল অমনা এজেন্সিদা ফোঙদোকখিবদা অৱাং নোংপোক থংবা প্রোভিন্স অদুগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিং দিপ্লোয় তৌরিবা মিলিটরি সাইটশিংগী মায়োক্তা হৌথিশিংনা হেন্না কনবা মওংদা মিলিটরি ওপরেসন চথরক্লে।

মহাক্না মখা তানা হায়, হৌথি ফাইটরশিংনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ষ্ট্রেটেজিক্কী মরু ওইবা য়েমেনগী প্রোভিন্স অদুগী মায়োক্তা মতম অমত্তদা গ্রাউন্দ ওপরেসন অমসুং মিসাইল এটেক চথখি।

মরিবগী খা থংবা শরুকশিংদা প্রোগভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংগা কন্না খুৎ থোক্লখিবা মতুংদা রেবেলশিংনা মখা তানা মিলিটরি কেম্পেইন কনশিল্লকখি। ওফিসল অদুগী মতুং ইন্না, সারিবকী মফম কয়াদা লেপ্তুনা শোক্লরিবা লালশিংদা প্রো-গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংনা হৌথি ফাইটর তরেৎ ফাজিনখ্রে। নোংমাইজিং নুমিত্তা শোক্লখিবা লালদা গভর্ণমেন্টগী লান্মী ১৭ রোম শিখিবগা লোয়নননা অতৈ কয়া অশোক অপন নঙখি হায়বসি মরিবকী পব্লিক হোস্পিটালগী মেদিকেল সোর্সশিংনা এজেন্সিদা কনফর্ম তৌখি।

নুমিত্তুগী অঙনবদা হৌথিশিংনা মী কুংনা তাবা মারিব প্রোভিন্সতা লৈবা অহুমশুবা রিজনেল মিলিটরি কম্মানদগী হেদক্বার্টর্সতা বালিষ্টিক মিসাইল অমা কাপশিনখি। মদুদা মীওই অহুম শিবগা লোয়নননা অতৈ কয়া অশোক অপন নঙখি।

অমরোমদা হৌথি মুভমেন্টগা মরী লৈনবা মাসিরাহ টিভিনা মারিবকী সেৱা দিষ্ট্রিক্টতা সাউদি অরাবিয়ানা লুচিংবা কোলিসননা এয়রষ্ট্রাইক মরি চথখ্রে হায়না ফোঙদোকখ্রে। তৌইগুম্বসুং রিপোর্ট অদুদা গ্রুপ অদুনা হৌজিক মারিবতা চথরিবা গ্রাউন্দগী মিলিটরি ওপরেসনশিং অদুগী মখা তাবা অকুপ্পশিংদি পনখিদে। ৱাশিংটননা গ্রুপ অসিবু টেররিষ্টশিংগী লিষ্টতগী লৌথোক্লগনি হায়বগী ইঙ্গিৎ পীখিবা মতুংদা য়েমেনদা হৌথিশিংগী মিলিটরি কেম্পেইন কনশিল্লকখি। বাইদেন এদমিনিষ্ট্রেসনগী ৱারেপ অদুনা হান্নগী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকী মখাদা মমাংগী এদমিনিষ্ট্রেসন্না লৌখিবা ৱারেপ হন্দোক্লগনি।

কুমজা ২০১৪ গী অথেংবা শরুক্তা ইরাননা শৌগৎপা হৌথি রেবেলশিংনা য়েমেনগী অৱাং থংবা প্রেভিন্সশিং পায়শিনবগা লোয়নননা সাউদি অরাবিয়ানা শৌগৎপা প্রসিদেন্ট অবদ-রাবু মনসুর হাদিগী গভর্ণমেন্টবু কেপিটেল মানাদগী ইন্থোকখিবদগী লৈবাক অসিদা সিভিল ৱার থোক্তুনা লাক্লি।

# কুগী মায়োক্তা চথরিবা প্রোটেষ্টশিংদা লাইনিংবশিং অমসুং নর্সশিং য়াওশিনখ্রে



নেপিটো, ফেব্রুৱারী ০৮ (এজেন্সী) :

মিলিটরিনা চয়োল অমগী মমাংদা ইলেক্তেদ লিদর ওং সান সু চিদগী পৱার মুনখিবগী মায়োক্তা লৈবাক শিন থুংনা লেপ্তুনা প্রোটেষ্ট তৌরকপা নুমিৎ হুম্নি শুরকপদা অনৌবা মীওই লীশিং কয়া য়াওশিনখিবগা লোয়নননা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ম্যান্মারগী কেপিটেলদা প্রোটেষ্টরশিং তানখাইনবা হোৎনবদা ৱাটর কেনন শীজিন্নখ্রে।

হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা মিলিটরিনা কু চথদুনা সিভিলিয়ন গভর্ণমেন্ট চিংথুখিবদগী সিভিল দিসওবিদিএন্স কেম্পেইনদা শৌগৎপা প্রোটেষ্টরশিং লেপ্তুনা চাওথোরকখি।

গভর্ণমেন্ট ষ্টাফ খুদিংমক প্রোটেষ্ট অসিদা য়াওরক্লবগীদমক্তা হেল্থ ৱার্কর ঐখোয়না কেম্পেইন অসিদা মাংজিন থারিবনি হায়না গভর্ণমেন্ট হোস্পিটাল অমদা নর্স ওইনা থবক তৌবা অয়ে মিসাননা ম্যান্মারগী খ্বাইদগী চাওবা সিটি য়াঙ্গোনদা পাঙথোকপা প্রোটেষ্ট অমদা ফোঙদোকখি।

ঐখোয়না মীয়ামদা পীরিবা মেসেজদি ঐখোয় মিলিটরি রেজিম অসি মপুং ফানা মুথৎকনি অমসুং ঐখোয়গী লায়বক শেমজনবা লাম্হেংনগনি হায়বা ৱাফম অসিনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

প্রোটেষ্টশিং অদুগী মতাংদা কম্মেন্ট লৌনবা এজেন্সিনা মিলিটরি ওথোরিটিগী মীওইশিং কন্টেক্ট তৌবা ঙমদ্রবসু ষ্টেট মিদিয়ানা প্রোটেষ্টরশিংগী মায়োক্তা এক্সন লৌখৎলকপা য়াই হায়বগী ইঙ্গিৎ পীরদুনা মীয়াম্না অরানবা তৌবশিং পামদে হায়খি।

জষ্টিস, ফ্রীদম, ইক্বেলিটি, পিছ অমসুং সেফটিবু মমল ৱাংনা খনবা ঐখোয় মীয়াম্না লো ইন্দবা অরানবা তৌবশিং য়াদবদা নত্তনা ঐখোয় মশেল কোওপরেসন পীনরগা মখোয়বু থিংনবা অমসুং ঈৱাং মফমশিংদগী লৌথোক্লবা হায়জরি হায়না এম আর টি ভি টেলিভিজন ষ্টেসননা কম্মেন্ট অমদা হায়খি।

ওথোরিটি নত্রগা গ্রুপ অমত্তগা মরী লৈনদ্রবসু মদু মতুং তাবদা মিলিটরিনা চলাইবা নেটৱার্ক অমদা পাথোকখি। মমাংদা মরু ওইনা কুমজা ১৯৮৮ অমসুং ২০০৭ তা চথখিবা প্রোটেষ্টশিংগা মান্নদবা মওংদা হন্দক্কী প্রোটেষ্টশিং অসি ঈংনা চিক্লা চথখি অমসুং ওথোরিটিশিংনা প্রোটেষ্টরশিং তানখায়বদা কা হেনবা থৌওংশিং চথবসু য়াওদ্রি।

কেপিটেল নেপিটোদা প্রোটেষ্টর গ্রুপ অমা তানখায়নবা হোৎনরদুনা মখোয়দা ৱাটর কেনন কাপশিনখি। য়াঙ্গোনদা লৈঙাং মচুগী ফিজেল শেৎপা বুধিষ্ট লাইনিংবশিংনা ৱার্করশিং অমসুং মহৈরোয়শিং য়াওবা প্রোটেষ্টকী খোঙচৎশিংদা মাংজিন থাখি। মখোয়না মচু কয়াগী বুধিষ্ট ফিরালশিং অমসুং হৌখিবা নবেম্বরগী মীখলদা চাওনা মায় পাকখিবা সু চিগী নেস্নেল লিগ ফোর দিমোক্রেসি (এন এল দি) গী মচুগা মান্নবা অঙাংবা বেন্নরশিং পায়খি।

সাইন অমদা 'ঐখোয়গী লিদরশিং থাদোকউ, ঐখোয়গী ভোটশিং ঈকায়খুমনৌ, মিলিটরি কু রিজেক্ট তৌই' হায়না ইখি।

# পোপনা ম্যান্মার মিলিটরিদা পোলিটিকেল প্রিজনরশিং থাদোক্লবা, দেমোক্রেটিক লম্বীদা হল্লক্লবা তকশিনখ্রে

ভাটিকান, ফেব্রুৱারী ০৮ (এজেন্সী) :

ম্যান্মারদা মিলিটরিনা ফাজিনখিবা পোলিটিকেল লিদরশিং থাদোক্লবা অমসুং লৈবাক অদু অমুক হন্না দিমোক্রেসিগী লম্বীদা লাকহন্নবা ইরাই নুমিত্তা পোপ ফ্রান্সিসনা মিলিটরি লিদরশিংদা আপীল তৌখ্রে।

ম্যান্মারদা মীওই লীশিং কয়ানা মিলিটরি কুগী মায়োক্তা লৈবাক শিনথুংনা প্রোটেষ্ট তৌরকপা হুমনি চনবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা দিপ্লোমেটিক কোরদা চহীগী ওইনা ৱা ঙাঙবদা পোপনা আপীল অসি তৌখিবনি।

ম্যান্মারগী মিলিটরিনা চয়োল অমগী মমাংদা ইলেক্তেদ লিদর ওং সান সু চিবু পৱারদগী লৌথোকপগা লোয়নননা লৈবাক অসিদা চহী অমা ইমর্জেন্সি লাওথোকখিবদা থৌওং অদুবু মালেম পুম্বনা কন্দেম তৌনখি।

লৈবাক ১৮০ হেনবদগী লাকপা দিপ্লোমেটশিংদা ৱা ঙাঙবদুদা ফ্রান্সিসনা ম্যান্মারগী মীয়াম্বু নকশিন্ননা অমদি নুংশিনা পনখি। মহাক কুমজা ২০১৭ তা ম্যান্মারদা খোঙচৎ অমা চৎখি। পোপ ফ্রান্সিসনা হায়খি মদুদি ম্যান্মারনা হৌখিবা চহী খরা অসিদা দিমোক্রেসিদা খোঙদারকখিবদু মমাং চয়োলদা মিলিটরিনা পাঙথোকখিবা কু অদুনা অপনবা চাওনা পীরি। কু অসিগী মতুং তারকপদা তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল লিদরশিং জেলদা থমখি। মখোয়বু থাদোকপা হায়বসি লৈবাক অসিগী অফবা পুরক্লবগী দাইলোগ পুকচেল শেংনা পাঙথোকপদা পুক্লিং থৌগৎপগী খুদম ওইগনি হায়না পোপনা ফোঙদোকখি।

পোপনা দিপ্লোমেটশিংদা চহী খুদিংগী ৱা ঙাঙলিবসি মালেমদা মুক্লবা অমসুং য়েৎনবা কয়া লৈরিঙৈদা ওইবনা ষ্টেট ওফ দ ৱার্ল্ড এদ্রেসনসু খঙনরি।

## ঙসিদগী ইরানদা কোভিদ-১৯ ভেক্সিনেসন হৌরগনি

টেহরান, ফেব্রুৱারী ০৮ (এজেন্সী) :

নোভেল কোরোনা ভাইরসকী মায়োক্তা চথগদৌরিবা ইরানগী ভেক্সিনেসন দ্রাইভ লৈবাকপোকপা নুমিত্তুগী হৌরগনি হায়না লৈবাক অসিগী হেল্থ এন্দ মেদিকেল এদ্যুকেসন মিনিষ্টর সয়ীদ নামাকিনা লাওথোকখ্রে।

ভেক্সিন কাপ্পদু মীওইশিংগী রিস্ক লৈবা গ্রুপশিং হায়বদি ইন্টেন্সিব ক্যের য়ুনিটশিংদা কোভিদ-১৯ পেসিএন্টশিংগা শম্ননা থবক তৌরিবা ডোক্টরশিং অমসুং নর্সশিংদগী হৌগনি হায়না মিনিষ্ট্রিনা নোংমাইজিং নুমিত্তা এজেন্সিদা ফোঙদোকখি।

ইরানগী রাজি ভেক্সিন এন্দ সেরম রিসার্চ ইন্সটিট্যুটনা পুথোকপা ভেক্সিন অমগী ক্লিনিকেল ট্রাইএল হৌদোকপগী থৌরমদা নামাকিনা ৱাফম অসি লাওথোকখিবনি।

নোংমাইজিং নুমিত্তা মিনিষ্ট্রি অসিগী স্পোক্সপার্সন সিমা সাদটনা লাওথোকখিবা মতুং ইন্না অনৌবা কোভিদ-১৯ কেস মশীং ৭,০৬৫ থেংনবগা লোয়নননা লৈবাক অসিগী অপূনবা কেস মশীং ১,৪৬৫৪৩৫ শুরে। অনৌবা ইনফেক্সনশিংদুগী মনুংদা ৫৪৪ হোস্পিটালাইজেসন চঙখি।

হৌখিবা চয়োল লোইবা ফাওবদা অনৌবা কোভিদকী মীশি ৫৭ রেজিষ্টর তৌখিবগা লোয়নননা লৈবাক অসিদা পেন্দমিক অসিনা শিহনখিবা মী মশীং পুন্না ৫৮,৪৬৯ শুরে।

# বেঞ্জামিন নেটনয়াহু মশানা কোর্টতা মহাক করপসনগী মরাল লৈতে হায়খ্রে



জেরুসালেম, ফেব্রুৱারী ০৮ (এজেন্সী) :

ইজরেলগী প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জামিন নেটনয়াহুনা মহাক করপসনগী মরাল লৈতে হায়না নিংথৌকাবা নুমিত্তা কোর্টতা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্কী লিদরসিপকী মতাংদা জজমেন্ট পীগদৌরিবা মীখলদা ভোটরশিংনা অমুক হন্না ভোট থাদনগদবা চয়োল তরুক্লোমদমক ঙাইরক্লবা মতমদা মহাক্কী করপসনগী ৱায়েল মখা চথবা হৌখিবনি।

মহাক্কী মিংদা সবমিট তৌখিবা অইবা পাউখুম ঐহাক্না ঙসি কোর্ট অসিদা কনফর্ম তৌরি হায়না নিংথৌনা ঙাক শেল্লিবা জেরুসালেম দিষ্ট্রিক্ট কোর্টকী জজ অহুমগী পেনেলগী মমাংদা লেপ্লিবা নেটনয়াহুনা য়াখি।

হৌখিবা থাদা মহাক্কী উকিলশিংনা কোর্ট অসিদা পীখিবা দোক্যুমেন্ট অমদা য়ুম্ফম ওইরগা নেটনয়াহুনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। দোক্যুমেন্ট অদুদা উকিলশিং অদুনা মশাগী চহী ৭১ শুরবা নেটনয়াহু নমথাক তৌবা, শেল চাবা অমসুং থাজবা মাঙহনবগী মরাল লৈতে হায়না পনখি।

ফম পায়রিঙৈদা ক্রাইম তৌবগী মরাল শিবা ইজরেলগী অহানবা লিদর ওইরিবা নেটনয়াহুনা মহৌশাগুম্না বিজনেসকী থৌওং অমদা মিনিট ২০ সেসন য়াওরবা মতুংদা কোর্টপু থাগৎলম্লগা মফম অদু থাদোকখি। মিনিষ্টর মরুপ মপাংশিংদগী মমল য়াম্লবা খুদোলপোৎশিং লৌবা অমসুং কভরেজ মতিক চানা ফঙনবা মীদিয়া টাইকুনশিংগী রেগ্যুলেটরি ফেভরশিং লৌনবা হোৎনখিবগা মরী লৈনবা কেসশিংদা নেটনয়াহুবু কুমজা ২০১৯ দা কোর্টনা হৌনবী মতুং ইন্না মরাল শিখি। কোর্টকী কাদা চঙবগা নেটনয়াহু মহাক্কী উকিলশিংগা লোয়নননা কাচিন অমদা ফমখি। কেমেরাশিংগী মমায় মহাক্কী নঙ্গনদা ওনশিনখি। সেসন অদু ব্রোদকাষ্ট তৌখিদ্রবসু পাউমীশিংনা বিল্ডিংদুদা লৈবা ক্লোজ সাকিট ফীদ অমদগী মোনিটর তৌখি।

মহাক্না কোর্ট বিল্ডিংদগী থুনা চৎখিবা অদুনা মীয়ামদা ৱায়েল অদুনা গভর্ণমেন্টগী বিজনেসতা অয়েৎ অপন থোকহল্লোই হায়বগী ইঙ্গিৎ পীখি। হৌখিবা মেদা মহাক্কী ৱায়েল হৌখিবদা নেটনয়াহুনা কেসশিং অদুবু থৌশাদবগী মওং উৎখি। ওপোনেন্টশিংনা মদু রুল ওফ লো শীংনবগী থৌওং অমনি হায়রদুনা কন্দেম তৌখিবনি।

কোরোনা ভাইরস লায়চৎকী য়েংদুনা চেকশিন্নবা হায়বদগী নেটনয়াহুগী সপোর্টরশিং কোর্টতা লাকপা ইউ উখিদে। তৌইগুম্বসুং ক্রাইম মিনিষ্টর হায়না ইবা সাইনশিং পায়বা খরা য়াওনা ওপোনেন্ট কয়ানা কোর্ট বিল্ডিংদুগী মনাক্তা প্রোটেষ্ট পাঙথোক্তুনা মহাকপু রিজাইন তৌনবা দিমান্দ তৌখি।